

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, NOVEMBER 12, 2017 PAGE 7


*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা এটলেটিকো দি কোলকতাগী টিমদা মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা মখোং ওই খরা শোকপদগী চহী অসিগী লীগকী অহৌবা চয়োলদা য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবা আইরিষ্ট মচা রোবি কিন*

*ৱুমেন্স ইন্দিয়ান ওপন গোল্ফ চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা নুমিৎতা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ঙসি নিনিশুবা নুমিৎতা য়াম্না ফজবগা লোয়নন্না রেকোর্দ থমদুনা মকোক থোংবা ঙমখ্রবী স্কোটলেন্দগী গোল্ফর মিসেল থোমসন*


## ফেদরেসন কপ ফাইনেলদা বেলারস অমসুং য়ুএসএগী টিম সিঙ্গলস মেটচ অমমম মায় পাক্কুনা লৈরি

FedCup by BNP PARIBAS

THE WORLD CUP OF TENNIS®



য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগি



বেলারসকী এরিনা সভালেনকা

*মিন্সক, নবেম্বর ১১ঃ*

বেলারসকী সিটি মিন্সকতা লৈবা সিঝোকা এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপীগী টিমগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফেদরেসন কপকী ফাইনেলদা বেলারস অমসুং য়ুএসএগী টিম সিঙ্গলসকী মেটচ অমমম মায় পাক্কদুনা লৈখ্রে।

অহানবা সিঙ্গলস মেটচ অদু ঙসি য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগি অমসুং বেলারসকী এলিয়াকসেন্দ্রা সাসনোভিসকা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা থেংনখি।

য়ুএসএগী ভান্দিৱেগিনা অহানবা সেট অদুদা সাসনোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদসু সাসনোভিসনা অকনবা লম্বা পীদুনা লাক্লবসু ভান্দিৱেগিগী মায়কৈদগী অহানবা সেটকুম্না য়ুম্বু লৈবাক ওইখিবা বেলারসকী এলিয়াকসেন্দ্রা সাসনোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–৪ দা থোইরগা ফাইনেল মেটচ অদুদা য়ুএসএনা বেলারসকী মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচ অদু য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্স অমসুং বেলারসকী এরিনা সাভালেনকাগা লম্বা তৌনখি। শান্নরোই অনীগী অহানবা সেট অদু বেলারসকী সভালেনকানা ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা য়ুএসএগী শান্নরোই স্লোনে ষ্টেফেন্সনা অহানবা সেট অদুগী স্কোরগা চপ মান্নবা সভালেনকাবু ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা মেটচ অদুদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা বেলারসকী এরিনা সভালেনকানা ফজবা হেনখিবদগী য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরগা মেটচ অদু মায় পাকপদগী ফেদরেসন কপ ফাইনেল অদুদা লৈবাক অনীগী মায়কৈদগী সিঙ্গলস মেটচ অমমম মায় পাক্কদুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈরি।

হয়েং দবলসকী মেটচ অমগা লোয়নন্না রিভর্স সিঙ্গলসকী মেটচ অনী শান্নরগা ফেদরেসন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন অদু মশক খঙবা ঙম্লগনি।

নীংশিংবা য়াবদি ফেদরেসন কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএনা জেক রিপব্লিকপু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা বেলারসনা স্বিজরলেন্দবু মেটচ ৩–২ দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

## চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ য়াওররোই, হোং কোং ওপনদদি শরুক য়াগদৌরি



ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১ঃ*

নুপাগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ অশোকপা মচা অমা লৈবদগী চাইনা ওপন সুপর সেরিজ শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি। অদুবু হোং কোং ওপন সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টতদি শরুক য়াবা ঙমগদৌরি।

হন্দক্তা ফ্রেন্স ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইদুনা মশান্না অসিগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই অমনা সিঙ্গলসকী মায়কৈদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবগী রেকোর্দ থমদুনা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

মমাঙগী চয়োলদা ইন্দিয়ান নেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবদা শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা থা অসিগী ১৪ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চাইনা ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

মখোঙদা মসল ষ্ট্রেন লৈখিবদগী কিদম্বি স্রিকান্থনা মহাক্কী ডোক্তরগী এদভাইসকী মতুংইন্না চয়োল অমা পোথানবা হায়রকখিবা অদুনা মরম ওইরগা চাইনা ওপন অসি শরুক য়ারোইদৌরিবনি।

অদুবু টুর্নামেন্ট অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা পাঙথোক্কদৌরিবা হোং কোং ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতদি শরুক য়াবা ঙমগনি হায়না স্রিকান্থ মশামক্না ফোঙদোকখি।

হোং কোং সুপর সেরিজ অদুদা স্রিকান্থনা করিগুম্বা টাইটল লৌবা ঙম্লবদি নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী পোজিসন অদু ফংবা ঙমগদৌরিবনি।

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বিএআই) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা স্রিকান্থগী অশোকপা অদু সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদু পাঙথোকখিবা মতম অদু চান্নদবা মরম্না শোকখিবনি হায়বা অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল অনুপ নারংনা ফোঙদোকপদা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোইশিংনা মখোয়–মখোয়গী সেদ্যুলশিং অদুগা মতম খেন্নদুনা লৈরিঙৈদা পাঙথোক্লবা মাঙজৌনন্না খন্নবা লৈখিবনি।

করিগুম্বা নাগপুর সিটিদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদু পাঙথোক্লমদ্রবদি ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মকোক থোংবা শান্নরোইশিং মেকাও ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারমগদবনি।

সেক্রেটরী অদুনা মখা তারদুনা শান্নরোই অমত্তদা চাউনা অশোকপা লৈখিদে। স্রিকান্থকী অশোকপা অদু য়াম্না চম্বা মরম্না মহাক চয়োল অমা পোথারবা মতুং হোং কোং ওপনদা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নাগপুরদা লোইশিনখিবা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ ৱার্ল্ড নম্বর ১১ ওইরিবা ঐচ এস প্রনোইগী মখুত্তা ফাইনেল অদু মায়থিবা নংখিবনি।

বিএআইগী ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখিবদা নেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্টনি। অদুবু মকোক থোংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা তান্নরবা মতুং টুর্নামেন্টকী মতম লেপ্পা অদুগী চৎনবী অদুদি অদুম্মক মখা তানা চত্থখিগনি হায়রি।

## এসিয়াগী ফুটবোল দোমিনেট তৌবা পাম্মী হায়না ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঝিনগানন্না ফোঙদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১ঃ*

থা অসিগী ১৪ দা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ম্যান্মারগা শান্নগদৌরিবা ২০১৯ এএফসি এসিয়ান কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মাঙওইনন্না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা দিফেন্দর সন্দেস ঝিংগানন্না এসিয়াদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলনা দোমিনেট তৌবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী রাউন্দদা ইন্দিয়ানা মেকাওবু মায়থিবা পীদুনা মাঙজৌনন্না ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

কুমজা ২০১১ দা অকোনবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অসি এসিয়ান কপ্তা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াখিবনি। মদুগী মতুং ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা চহী ৮ গী মতুংদা ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ঝিংগানন্না এসিয়াদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসিনা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্দুনা দোমিনেট তৌদুনা চঙশিনবা ঙম্লনবা হোৎনগদবা থবক য়াম্না লৈরি। মরুওইনা অরিংবা টিমশিংগা তোয়না শান্নবা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংলবদি টিম অসিগী পাঙ্গল হেনগৎলক্কনি হায়খি।

## ফেদরর অমসুং নদালনা নিয়ম হোংলকপা চেকশিনবা মথৌ তাই হায়খ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১১ঃ*

মালেমগী হোংলক্লিবা শান্নবগী লমদা টেন্নিসকী ওইনসু অহোংবা কয়া থন্নবা হোৎনরকপা অসিদা মমিং লৈরবা শান্নরোই অনী রোজর ফেদরর অমসুং রাফেল নদালনা চেকশিনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইটালিগী মিলানদা শান্নরিবা নেক্স জেনরেসন এটিপি ফাইনেলসতা চাংয়েং ওইনা মেটচ অমদা শান্নরোই অনীনা গেম ৩–৩ থোইনরবা মতমদা টাই ব্রেক শান্নবগী চাংয়েং তৌরি। লোয়নন্না লাইন জজ লৈহন্দবা অমদি কোর্টতা দবলসকী লাইনসু য়াওদ্রি।

## ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ দা শরুক য়াবা ঙম্নবা য়ুরোপকী ফুটবোল কনফিদরেসনগী ২শুবা রাউন্দগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা স্বিদেনা ইটালিবু ১–০ দা থোইখ্রে



স্বিদেনগী জেকোব জোহানসন (ময়ায়) না ইটালিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্লুরবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা

*ষ্টোকহোম, নবেম্বর ১১ঃ*

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মথং চহীদা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদিসন অদুদা য়ুরোপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা টিম ৯ ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা টিমশিংগী ওইবা অনীশুবা রাউন্দ শান্নবগী ঙরাং স্বিদেনন্না য়ুম্বু ওইরগা ইটালিগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা স্বিদেনা ইটালিবু ১–০ দা থোইখ্রে।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল ৪ রক লৌবা ঙমখ্রবা ইটালিগী টিম লৈবাক অদুগী ফুটবোল পুৱারীদা চহী ৬০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা স্বিদেন অমসুং ইটালিগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা লেগ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না চেকশিন্না মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইবনা শান্নরকপগী অহানবা হাল্ফ অদু পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ অদুগী হৌরকপা মিনট ১৫ হৌজিল্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। স্বিদেনগী টিম অদুদা অনীশুবা হাল্ফতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জেকোব জোহেন্সনন্না শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা অমদি মেটচ অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইটালিবু স্বিদেনন্না ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইটালিগী মায়কৈদগী শান্নবা লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা মখোয়গী মথক্তা স্বিদেনন্না চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মায় পাকখিবদগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু স্বিদেনন্না ইটালিবু ১–০ দা থোইখি।

টিম অনী অসিনা অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইটালিনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নগনি। করিগুম্বা ইটালিগী টিম্না রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ অসিদা ক্বালিফাই ওইননবগীদমক্তা স্বিদেনবু পাঞ্জল অনী হেল্লগা মায়থিবা পীবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ইটালিগী টিম অসিনা কুমজা ১৯৫৮ দা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি ক্বালিফাই ওইখিদবা অদুগী মতুং চহী ৬০ লৈরগা নিংথোকাবা নুমিৎতা শান্নগদবা মেটচ অদুনা মখোয়গী ফুটবোলগী পুৱারীদা অনৌবা লমায় অমা ইগদৌরি।

অফ্রিকা ফুটবোল ফেদরেসনগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (দি) গী মেটচ অমদা সাউথ অফ্রিকাবু সেনেগালনা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১২শুবা মিনটতা সেনেগালগী মায়কৈদগী দিয়াফ্রা সাখোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী মখা চত্থরকপা অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা সেনেগালনা পুশিনখিবা এটেক অমদা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই থামসানকা মিজেনা শোয়বদগী কাউশিনজ খিবা বোলনা পাঞ্জল ওইদুনা সেনেগালনা মখোয়বু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু সেনেগালনা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

গ্রুপ (বি) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জম্বিয়া অমসুং কেমেরুন পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফতা জম্বিয়াগী মায়কৈদগী পেটসন দাকানা পাঞ্জল চনবা হৌখি।

অদুবু ইকান কান্নদনা মিনট ৫ গী মতুংদা কেমেরুনগী এন্দ্র অনগুইসানা ইক্কেলাইজর অদু চন্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা জম্বিয়াগী মায়কৈদগী ব্রাইন মিলানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কেমেরুনবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অমরোমদা ইক্কেলাইজর ফংনবা কন্না হোৎনরকখিবা কেমেরুনন্না শান্নবগী অরোইবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই য়ায়া বানানানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙন্না শান্নখিবা মেটচ অমদা অলজেরিয়া অমসুং নাইজেরিয়া পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল চন্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ১৭ চঙশিল্লকপদা নাইজেরিয়াগী জোন ওগুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা অলজেরিয়াগী মায়কৈদগী য়াসিনে ব্রাহিমিনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ইক্কেলাইজর ওইদুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াননবা টিম খনবগী ইন্টর–কনফিদরেসন প্লেওফ মেটচ অনী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবদা অনীমক দ্রো চৎখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং হোন্দুরসকী মেটচ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ন্যু জিলেন্দ অমসুং পেরু লম্বা তৌনখিবদা টিম অনীমকসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী টোমী রোজিকনা হোন্দুরসকী শান্নরোইদগী বোল মুনবা হোৎনবা

## রোমানিয়াগী জেকিলিন কৃষ্টিয়ানন্না ইন্দিয়াগী কর্মন কোরবু মায়থিবা পীদুনা পুনে ওপন আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



পুনে ওপন টেন্নিসকী টাইটল লৌখ্রবী রোমানিয়াগী জেকিলিন কৃষ্টিয়ান

*পুনে, নবেম্বর ১১ঃ*

মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা বালেৱারিগী এমএসএলটিএ স্কুল ওফ টেন্নিসতা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ২৫,০০০ লৈবা পুনে ওপন আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কর্মান কোর থান্দিবু রোমানিয়াগী জেকিলিন কৃষ্টিয়ানন্না মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী জেকিলিন কৃষ্টিয়ানন্না টুর্নামেন্ট অদুমক্কী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কর্মান কোর থান্দিগা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদু পুং ১.৩০ হেন্না শান্নখি।

অহানবা সেট অদু রোমানিয়াগী শান্নরোই অদুনা ইন্দিয়াগী কর্মানগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কর্মান কোর থান্দনা য়াম্না ফজবা মওংদা লম্বা পীরক্কুনা জেকিলিন কৃষ্টিয়ানগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–১ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম থোইনদুনা মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী কর্মান কোর থান্দিগী সার্ভিস গেম অহুম্মক রোমানিয়াগী জেকিলিন কৃষ্টিয়ানন্না ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক্কী সার্ভিস গেম অহুম্মক হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬–০ দা সেট অদু থোইদুনা পুনে ওপন আইটিএফ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টাইটল ফংখ্রবী জেকিলিনন্না শেলগী মনা ৩,৯০০ গী শেলগী মনা ফংবগা লোয়নন্না দব্লিয়ুটিএ পোইন্ট ৬০ ফংখি। অমরোমদা রন্নর্স অপ তাহৌরবী ইন্দিয়াগী কর্মান কোরনা শেলগী মনা ওইনা য়ুএস দোলর ২,৫৯০ ফংবগা লোয়নন্না দব্লিয়ুটিএ পোইন্ট ৩৬ সু ফংখি।

সিটি অসিমক্তদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা য়ুএস দোলর ৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা এটিপি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সকেট মাইনেনি ৱাইল্ড কার্দ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান সিঙ্গলস শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি, অনীশুবা শান্নরোই ওইরিবা রামকুমার রামানাথন অমসুং প্রজনিস গুনেশ্বরনসু শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অনী আরিয়ান গোবিয়াস অমসুং অর্বিন খাদেবু শরুক য়াগদৌরি।

ঙসিদগী টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রোদা শরুক য়াননবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌখি। মদুদা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি সিধার্থ রাৱট, এন বিজয় সুন্দর, চন্দ্রিল সুদ, রঞ্জিৎ ভিরালি মুরুগেসন, সিধান্ত বন্টিয়া, জয়েস পুংগ্লিয়া অমসুং লকসিথ সুথনি।